# নাগালেন্দগী লেজিসলেটরশিংনা নাগা ইশুগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি উন্ননবা শেম-শাখ্রে



নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াং

**কোহিমা, নভেম্বর ১৮ ঃ**

নাগালেন্দ লেজিসলেটর ফোরমনা ইরাই নুমিৎতা ফমখিবা মীফম অমদা হৌজিক ওইরিবা নাগা পোলিটিকেল ইশু অসি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা নাগালেন্দ মীখলগী মাঙওইননা ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা মেমোরেন্দম অমা পিশন্নবা শেম শাখ্রে।

নাগাগী এম এল এ শিং অদুনা নাগালেন্দ এসেমব্লি সেক্রেটরিয়েটতা ইন্টিৱাপাঙ এয়ারনা চেয়ার্মেন ওইদুনা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। নাগালেন্দ এসেমব্লিগী স্পিকর ওইরিবা লুচিংবা অদুনা ষ্টেট লেজিসলেটর পার্টিনা মীফম অদুদা চিয়ার্মেন ওইনা শরুক য়াখি।

মীফম অদুদা নাগালেন্দগী চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংসু শরুক য়াখি। মীফম অদুগা মরী লৈননা জেলিয়াংনা ফোঙদোকখিবদা অথুবা মতমদা নাগাগী ইশু অসি ৱারোইশিন পুরক্কদবনি হায়খি।

মীফম অদুদা ৱারেপ মঙা লৌখি। লোয়ননা নাগালেন্দ লেজিসলেটর পার্টিনা মেমোরেন্দম অমা প্রাইম মিনিষ্টরদা পীশিন্নবসু ৱারেপ লৌখি। নাগাগী হৌজিক ওইরিবা ইশু অদু ৱারোইশিন অমা পুরক্নবা লেজিসলেটর পার্টিনা লৌখিবা অমসুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা পিশিন্নবা শেম-শারিবা মেমোরেন্দম অদুদা টি আর জেলিয়াং অমসুং এয়ারনা খুৎয়েক পীখি হায়রি।

নাগালেন্দ এসেমব্লিগী মীখল পাঙথোক্কদবা থা খরদমক ঙায়রে। মীখল অদুগীদমক য়েংলগা সেন্টরনা ৱারেপ লৌবগী তঙাই ফদবা লৈ। পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা চীফ মিনিষ্টর টি আর জেলিয়াংনা অচৌবা থৌদাং লৌখি। লোয়ননা ষ্টেট অদুগী ওইবা ওল পোলিটিকেল পার্টিগী মীফমসু অথুবা মতমদা পাঙথোক্নবা য়ানখি হায়রি।

নাগা পীষ্টতোক্না শরুক অমা ওইনা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট লাকখিবগা লোয়ননা অৱাং নোংপোক্কী তোঙান তোঙানবা ষ্টেট কয়ানা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট ফোঙদোক্নবা তকশিল্লক্লি। অদুম ওইনমক সেন্টরনা ঙসি ফাওবা এগ্রিমেন্ট অদুগী মতাংদা মরু ওইবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোক্তনা লাক্লি। মদুনা মরম ওইরগা নাগালেন্দগা থংনরিবা ষ্টেটশিংদা নুংনাংবা ফিভম অমা থোকহল্লি।

হৌজিক ইন্দো-নাগা ইশু অসি লোয়শিল্লকপা য়াবগী ফিভম অমদা লৈরে। অদুম ওইনমক ৱারোইশিন অদুনা য়ূমথংনবা ষ্টেটশিংদা চাওনা খুদোংচাদবা থোকহনবা য়াবগী ফিভম লৈরি। অকোয়বগী ফিভমশিং য়েংলগা সেন্টরনা চপ চাবা থৌশিল অমা পায়খৎপগী তঙাই ফদবা লৈ হায়রি।

# অরুনাচল প্রদেশকী ঙমখৈ খুঙ্গং বিজয়নগরদা বিলামাটি বেক অমদা লুপা লীশিং ৮ য়ৌরে





**ইটানাগর, নভেম্বর ১৮ ঃ**

অরুনাচল প্রদেশকী চাঙলাং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বিজয়নগর হায়না খঙনবা ঙমখৈ পরীংদা লৈবা খুঙ্গং অদু মীওই ১,৫০০ রোমনা খুন্দাবা মফমনি। খুঙ্গং অদু য়ৌবগী চপ চাবা অফবা লম্বী লৈতে। লমদম অদুদা খুন্দারিবা চাকমাশিংনা খোঙনা শাংনা চত্তুনা মনাক নকপা কৈথেলদগী বিলামাটি বেক অমদা লুপা লীশিং ৮ দা লৈনরি।

ষ্টেট অদুগী পি ঐচ ই দিপার্টমেন্টনা তোঙান তোঙানবা য়ূম খুদিংমক্কী লেটিন শাননবা প্রোজেক্ট পায়খৎলি। বিজয়নগর হায়না খঙনবা ইন্দিয়া-চিনা-ম্যান্মার তায়নফমদা লৈরিবা খুঙ্গং অদুদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং নমদাফা নেসনেল পার্ক ফাওনা পুশিল্লক্লে। লৈবাক অসিগী অতৈ মফমদা লুপা ১৫০ দা ফংবা বিলামাটি বেক অদু হায়রিবা খুঙ্গং অদুদদি লুপা লীশিং ৮ য়ৌরি হায়রি।

এদো কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা মখোয়গী খুঙ্গং অদু য়ৌননবা অমদি পোৎলম কয়া পুশিন্নবা কিলোমিটর ১৫৬ শাংবা লম্বী অমা চৎপা তাই। লম্বী অদু ফাওনা পল্লুংফম য়ৌনবা হোৎনবদা নুমিৎ ৫ নি চঙই। অদুম ওইনমক লৈঙাক্লা চীংগী মনুং হুনজিন্না লৈবা খুঙ্গং অদুদা লৈবা মীওইশিং লক্ষাংদা খোঙহাম-খূৎহাম তৌদনবা পায়খৎলকপা থৌশিলগী মতূংদা চৎলিবা চহী অসিগী দিসেম্বর থা ফাওবদা পান্দম অদু ফংনবা হোৎনরি।

সেন্ত্রেল পর্চেস ওর্গনাইজেসন কৌবা অসামগী দিব্রুগর দিষ্ট্রিক্টকী মোহনবারিদা বেজ তৌবা ওর্গনাইজেসন অমনা অরুনাচল প্রদেশকী মনুং হুনজিনবা মফমশিংদা লৈবা খুঙ্গংশিংদা তঙাই ফদবা পোৎলমশিং এয়ারড্রোপ তৌননবা হোৎনরি হায়রি।

পি দি এস কী মনুং চল্লিবা লুপা ২০ পীবা থুম পেকেট অদু বিজয়নগর য়াওনা ঙমখৈ পরীংদা লৈবা খুঙ্গংশিংদদি লুপা ২৫০ দা ফংলি। ঙমখৈ পরীংগা নক্লনা লৈবা মীওইশিং তঙাই ফদবা হিংবদা চঙবা পোৎলমশিং ফংদবনা মরম ওইরগা তোঙান তোঙানবা সহরশিংদা তঙাই ফদনা য়ূম হোংদুনা চৎপগী ফিভম অমা মায়োক্নরি। ঙমখৈগা তায়ননা লৈবা খুঙ্গংশিংদা চিনা মচাশিং চঙশিল্লকপগী ফিভম কয়াসু লৈরি হায়না হান্নগী ফাইনান্স মিনিষ্টর (লৈখিদ্রবা) কালিখো পুলনা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে হায়রি।

# জে এন কে গী বন্দিপোরাদা খূৎ থোক্লবদা টেরোরিষ্ট ৫ হাৎখ্রে

**বন্দিপোরা, নভেম্বর ১৮ ঃ**

জম্মু অমসুং কাশ্মীরগী বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা ইং ২০০৮ দা মুম্বাইদা টেরর এতেক্ট কয়া চত্থরকখিবা টেরোরিষ্টশিংগা মরী লৈনবা মীওই কয়া ফাগৎপা ঙম্লে।

লাসকর-ই-তোইবগী টেরোরিষ্টশিং পুলিসনা ফাগৎপা ঙম্লে। টেরোরিষ্টশিং অদু ফাননবা হোৎনবদা ইন্দিয়ান এয়ারফোর্সকী কম্মান্দোশিংনা অচৌবা থৌদাং লৌখ্রে। বন্দিপোরা দিষ্ট্রিক্টকী হাজিন লমদমদা লৈবা খুঙ্গং অমা রাজত্রিয়া রাইফলস, ষ্টেট পুলিস এন্টি টেরর স্কৱাট অমসুং সেন্ত্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্সকী অপুনবা খূৎপু অমনা ওপরেসন চত্থখি।

অকক্নবা পাউ ফংবগী মতূং ইন্না বন্দিপোরাগী হাজিন লমদমদা সেক্যুরিটি ফোর্সনা লোৎতুনা লৈরিবা মিলিটেন্টশিং ফাননবা অকনবা মওংদা ওপরেসন চত্থখি। লমদম অদুদা হৌজিকসু নোংমৈ কাপ্নবগী থৌদোক থোক্লি হায়না ন্যুজ এজেন্সিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

# ইন্দিয়া, জপান্না লুনর মিসন পাঙথোক্নবা হোৎনরি



**বেঙ্গলুরু, নভেম্বর ১৮ ঃ**

ইন্দিয়া অমসুং জপান্না পুন্না লুনর মিসন অমা পায়খৎনবা থৌরাং অমা চত্থরি হায়না ইন্দিয়ান স্পেস রিসার্চ ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী চিয়ার্মেন এ এস কিরন কুমারনা ইরাই নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

লৈবাক অনীনা লুনর মিসন পায়খৎনবা হোৎনরি। মতূং তাবদা লাক্কদবা থবক থৌরমশিং মরু ওইনা স্পেস অমদি ক্লাইমেট চেঞ্জকী মরমদা অহেনবা মতেঙ পীননবা য়ান্নবসু লৈরে হায়না লুচিংবা অদুনা ঙসি বেঙ্গলুরুদা পাঙথোকখিবা এসিয়ান রিজনেল পেসিফিক এজেন্সি ফোরমগী ২৪ শুবা মীফমদা ফোঙদোকখ্রে।

কুমারনা হায়, ইন্দিয়া অমসুং জপানগী মরক্তা অফবা মরী লৈনবগা লোয়ননা স্পেসকী লমদা অহোংবা কয়া লাকপা উরে। লৈবাক অনীনা তুংদা ওইরক্কদবা মিসন কয়াদা মতেঙ পীননবা অমসুং পুন্না থবক তৌমিন্নবা হায়বা হীরমশিংদা য়ান্নবা লৈরে।

স্পেসকী লমদা থবক তৌরিবা অমসুং সেটিলাইট কাপখৎপগী লমদা থবক তৌরিবশিংনা অহোংবা মমলদা সেটিলাইট কাপখৎপগী তঙাই ফদবা লৈ। ওইথোকপা য়াবা মওংদা সেটিলাইটশিং লাইন কাপখৎপা মথৌ তাই হায়রি।

# মুগাবেগী মতম লোইশিনখিবদা জিম্বাৱেগী মীওই কয়ানা হরাউ তয়াম্না ফোঙদোকখ্রে

**হরারে, নভেম্বর ১৮ ঃ**

জিম্বাৱেগী প্রসিদেন্ট মুগাবে ফম থাদোক্নবা লৈবাক অদুগী মফম কয়াদা মীওই লীশিং কয়ানা খোঙজং চঙশিনখ্রে। লোয়ননা লৈবাক অদুদা হৌজিক ওইরিবা ফিভম অদুদা লান্মীনা লৌখিবা থৌদাং অদুবু থাগৎপা ফোঙদোকখ্রে।

লৈবাক অদুগী কোনুং হরারেদা লান্মীশিংবু থাগৎপা ফোঙদোকপা মীয়ামগী খোঙচৎ কয়া চৎখি হায়না বি বি সি ন্যুজনা রিপোর্ট তৌরক্লি। লৈবাক অদুগী থবক্তগী পোত্থাখ্রবা অমদি হান্নগী লানফম কয়াদা অচৌবা থৌদাং লৌরম্বা লান্মীগী লুচিংবা ওইরম্বা মীওই অমনা ফোঙদোরক্লিবা মুগাবে ফম থাদোক্কদবনি। মহাক্না লৈবাক অদুদা লান্না থৌশিল কয়া পায়খৎখিবা লৈখ্রে হায়খি।

নাকল অমরোমদা মুগাবে শৌগৎপা কাঙবুশিংনা লুচিংবা অদুনা পায়খৎখিবা থৌশিল অদু অচুম্বনি হায়না ফোঙদোরক্লি। ঙসি জিম্বাৱেগী ষ্টেট হাউস মমাঙদগী মীয়ামগী ওইবা অচৌবা খোঙচৎ অমা চৎখি। মীওই খরনা লান্মীশিংগী মমাঙদা ফমজিন্দুনা য়ানিংদবা খোঙজং চঙশিনখি।



হৌজিক জিম্বাৱেদা রাজনিটিগী চরাংনবা অমা থোক্লি। ফিভম অদু য়েংলগা লুচিংবা অদু অমুক হন্না শক্তি পায়রকপা য়াবগী ওইথোকপা লৈত্রে হায়না বি বি সি গী ন্যুজ কোরেস্পোন্দেন্ট এন্দ্রিয়ুনা ফোঙদোরকখি।

জিম্বাৱেদা মতম খরগী মমাঙদগী তংদু-লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োক্নরকখিবা অদুদা লান্মীনা খূৎ থিংজিনবগী তঙাই ফদবা লৈ হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরকপা লৈখি। অদুম ওইনমক লান্মীনা খূৎ থিংজিনগদবা অদু শান্তি পুরক্নবা থৌশিল অমা ওইগদবনি হায়না অকনবা ৱাফম ফোঙদোক্নরকখিবা লৈখ্রবনি হায়রি।

জিম্বাৱেগী হান্নগী লুচিংবা অদু লান্মীনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লুরবা মতূং মীয়াম মমাঙদা থোক্লককখিবা লৈখ্রে। লান্মীনা হাউস এরেষ্ট তৌদুনা থম্লুরবা মুগাবেনা লৈবাক অদুগী য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকপা গ্রেজুয়েসন দিগ্রি পীবগী থৌরমদা শরুক য়াখি। লৈবাক অদুগী লুচিংবা অমা ওইবনা মরম ওইরগা মহাক য়ুনিভর্সিটি অদুগী চাঞ্চেলর ওইনসু থৌ পুরিবনি হায়রি।

ঙসি য়ুনিভর্সিটিদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা মুগাবেগী লোয়নবী গ্রেস মুগাবে শরুক য়াখিদে হায়রি।

# শ্রীলঙ্কাদা বুদ্ধিস, মুস্লিমশিং খূৎ থোক্লখ্রে, মীওই ১৯ ফারে

**কলম্বো, নভেম্বর ১৮ ঃ**

শ্রীলঙ্কাদা বুদ্ধ লাইনিং চৎপা অমসুং মুস্লিমশিংগী মরক্তা খূৎ থোক্লখ্রে। লৈবাক অদুগী খা থংবা শরুক্তা থোকখিবা কাঙলূপকী হিংশাগী থৌদোক অদু লাকশিন্নবা রায়োট পুলিস অমসুং লান্মীনা অকনবা চেকশিন থৌরাং লৌখৎখ্রে।

গালে প্রোভিন্সতা থোকখিবা কাঙলূপকী হিংশা অদুগা মরী লৈননা পুলিসনা মীওই ১৯ ফাগৎখ্রে। লমদম অদুদা কাঙলূপকী হিংশা থোকপনা মরম ওইরগা ললোন ঈতিক তৌফম অমসুং য়ূম লোয়ননা লন-থুম কয়া মাঙ তাকখ্রে হায়রি।

কাঙলূপকী হিংশা অদু করম তৌনা থোরকখিবনো হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুম ওইনমক থৌদোক অদু ট্রাফিক্কা মরী লৈনবা খুদোংথিবা থৌদোক অমদগী হৌরকখিবা ওইগনি হায়না পাউগী লীখুন অসিনা ফোঙদোরকখি।

সেক্যুরিটি ফোর্সনা শ্রীরলঙ্কাগী খা থংবা গালে প্রোভিন্সতা থোক্লিবা কাঙলূপকী হিংশা অদু লাকশিনবা ঙমখ্রে। মখা তানা পামদবা থৌদোকশিং থোক্লত্তনবগীদমক পুলিসকী অহেনবা খূৎপুশিং থাজিনখ্রে। লোয়ননা স্পিসিয়েল টক্স ফোর্স এন্টিরাইয়োট স্কৱাট অমসুং মিলিটরিশিং কৌশিন্দুনা লমদম অদুদা মথৌ তৌহনখ্রে হায়না লো এন্দ ওর্দর মিনিষ্টর সাগালা রটনায়াকানা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

লুচিংবা অদুনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা সোসিয়েল মেদিয়াদা পামদবা অমদি তোখায় তাবগী ৱাফমশিং ফোঙদোরকপশিং আইনগী মতূং ইন্না চৈরাক পীগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

# অর্জেন্টিনাগী সব-মেরিন অমা মাঙখ্রে, অকনবা মওংদা থিবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে

**বুইনোস এরিস, নভেম্বর ১৮ ঃ**

অর্জেন্টিনাগী নেভিনা শীজিন্নবা অমসুং সাউথ অটলান্টিক ওশিন্দা মথৌ তৌখিবা ক্রু মেম্বর ৪৪ তোংখিবা সব-মেরিন অমা নুমিৎ ৩ নিগী মমাঙদগী পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে। লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট মাউরিসিয়ো মেক্রিনা নেসনেল অমসুং ইন্টর্নেসনেলগী থাক্তা লৈবা কাঙলূপশিংদা মতেঙ পাঙবিনবা হায়জখ্রে।

নাসাগী অখন্নবা রিসার্চ প্লেন অমা য়াওনা মাঙখ্রবা বেসেন অদু থিবগী থবক চত্থবা হৌখ্রে। ব্রিটেন অমসুং অতোপ্পা লৈবাক কয়ানা মাঙখ্রবা সব-মেরিন অদু থিবদা মতেঙ পাঙগে হায়না ফোঙদোরক্লে হায়রি।

সব-মেরিন অদু রেডিও সিগনেল নৎত্রগা রদর অমদি সোল্লরনা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে। মাঙখ্রবা সব-মেরিন অদু খোঙ্গুল লীবা ঙমদনা লৈরি। অর্জেন্টিনাগী নেভিগী চৎন-কাঙলোন মতূং ইন্না সব-মেরিননা পাউ ফাওনগদবা অদু লৈমায়দা ফাওগৎলক্লবা মতূংদা ওইগদবনি হায়বা লৈ।



হৌজিক থিবা খঙদনা লৈরিবা সব-মেরিন অদুদা তোংখিবা ক্রু মেম্বরশিং অশোয়-অঙাম থোকহন্দনা কনবা হায়বসিদা মরু ওইবা পান্দম থল্লি। সব-মেরিন অদু দিজন্না চলাইবা অমনি। উসাওব্রুয়া মনাক্তা মহৌশাগুম মথৌ তৌরবা মতূং হল্লকখিবগা লোয়ননা সাউথ অমেরিকাগা নক্লনা লৈবা মর দেন প্লাটাগী শরুক য়ৌরকপদা পাউ ফাওনখিদবনি হায়রি।

যুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক ফাওবদা পাউ ফাওনরমখি। মদুগী মতূং সব-মেরিন অদুগা পাউ ফাওনবা ঙমখিদ্রে হায়রি।




सेन्ट्ल इन्स्टीयूट ऑफ प्लास्टिक्स इन्जीनियरिंग एण्ड टेक्नोलॉजी, इम्फाल

CENTRAL INSTITUTE OF PLASTICS ENGINEERING & TECHNOLOGY, IMPHAL

Department of Chemicals & Petrochemicals

(Ministry of Chemicals & Fertilizers, Govt. of India)

An ISO 9001:2008 CERTIFIED INSTITUTION

Industrial Estate, Takyelpat, Imphal-795001, Website: www.cipet.gov.in

4 Weeks "ENTREPRENEURSHIP DEVELOPMENT PROGRAMME"

on

" Manufacturing Techniques of Plastics Products for Household application"

Under the Sponsorship of

Directorate of Science and Technology, Govt. of Manipur

No. of intake : 15

Eligibility : Class XII pass & above Age : 18 yrs & Above

Tentative date of commencment of programme : 4th December, 2017

*Salient features of the Programme:*

- *Entrepreneurial Skills*
- *Industrial visits.*
- *Market Survey.*
- *Technology support to deserving aspirant on successful completion of the course.*
- *Personality Development.*
- *Exposure to live production of the products.*

Interested candidates may contact VTC In-charge, CIPET , Takyelpat Industrial estate, Imphal West on any working days on or before 4th December , 2017 or send an email to cipetvtcimphal@gmail.com requesting for application form.

For any query, please contact to 8974060031


## GAS TODAY

**Imphal LPG Service**
Booking : 23/09/17
Valid : 10/08/17
Stk : 594
Sl. No. 26800

**Athokpam Gas Indane**
Booking : 04/09/17
Valid : 20/08/17
Stk : 612
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**J. Rongmei, Wangoi**
Booking : 16/09/17
Valid : 02/09/17
Stk : 306
Time : 06.00 to 09.00 a.m

**GBD Gas, Lamlong**
Booking : 04/09/17
Valid : 16/08/17
Stk : 612 CTC
Time : 07.00 to 10.30 a.m

**Patsoi Gas**
Booking : 02/10/17
Valid : 14/09/17
Stk : 294
Sl. No. 8
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Hiyangthang Gas**
Booking : 13/09/17
Valid : 07/09/17
Stk : 306
Rate : Rs. 862
Time : 07.00 to 10.00 a.m

**Canchi Indane Service**
Booking : 07/09/17
Valid : 27/08/17
Stk : 14kg 306
Rate : Rs. 842.50
Time : 08.00 to 10.00 a.m

**MM Gas**
Booking : 22/09/17
Valid : 11/08/17
Stk : 612 DBTL
Time : 07.00 to 10.30 a.m
Rate : Rs. 843

**R & H Indane**
Booking : 10/08/17
Valid : 23/07/17
Stk : 560
Time : 08.00 to 11.00 a.m

**Lambodara Indane**
Booking : 20/09/17
Valid : 11/09/17
Stk : 270 & 19kg-24
Time : 07.30 to 10.00 a.m

## সনা-সুদোকু -৯৯৯ গী সোল্যুসন

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 4 | 9 | 6 | 3 | 8 | 2 | 5 | 7 | 1 |
| 3 | 1 | 2 | 7 | 9 | 5 | 4 | 8 | 6 |
| 5 | 8 | 7 | 1 | 6 | 4 | 9 | 3 | 2 |
| 9 | 6 | 4 | 8 | 1 | 3 | 7 | 2 | 5 |
| 1 | 2 | 3 | 6 | 5 | 7 | 8 | 9 | 4 |
| 8 | 7 | 5 | 2 | 4 | 9 | 6 | 1 | 3 |
| 2 | 3 | 9 | 4 | 7 | 6 | 1 | 5 | 8 |
| 7 | 4 | 1 | 5 | 3 | 8 | 2 | 6 | 9 |
| 6 | 5 | 8 | 9 | 2 | 1 | 3 | 4 | 7 |

## SANA - SUDOKU

*Rules :- Nos. given in the grid should not be changed. Free boxes is to be filled with numbers from 1 to 6 horizontally and vertically without repeating any numbers.*

**Hard Sana Suduku-1000**

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | | | | | 9 | | | |
| | 5 | | | 3 | | | 4 | |
| 3 | | | 7 | 1 | | | 9 | |
| 2 | 9 | | | | | | | |
| | | | 2 | 9 | 3 | | 6 | |
| 7 | | 1 | | | | | | |
| 6 | 4 | | | | 8 | 9 | | 5 |
| 1 | | | | | 5 | | | 2 |
| | 3 | | | | | | | 7 |